## চহী ৭০ হেল্লবশিং তোঙান্না থম্লগনি

লন্দন, মার্চ ১৫ (এজেন্সি) :
কোরোনাভাইরসকী লাইচৎতা চুঙ্গোই অমা ওইনবগীদমক্তা যু কেগী চহী ৭০ হেল্লবা মীওই পুম্নমক মতম খরা হেন্না শাংথনা তোঙান্না থম্বগী থবক লাক্লিবা চয়োল খরা অসিগী মনুংদা পায়খৎননবা থৌরাং তৌরি হায়না হেল্থ সেক্রেটরি মাট হেনকোকনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে। অহলশিংবু মশা মথন্তা তোঙান্না লৈজনবগী থৌরাং অসি মখোয়বু লায়না অসিদগী কঞ্জবা ঙম্নবগীদমক্তনি হায়না হেনকোকনা স্কাই ন্যুজদা ফোঙদোকখি।

## ইরানদা শিবা ৭২৪ য়ৌরে

দুবাই, মার্চ ১৫ (এজেন্সি) :
অনৌবা কোরোনাভাইরসনা হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা মীওই ১১৩ শিহনখিবগা লোয়ননা ইরানদা লায়না লাইচৎ অসিনা হৌজিকফাওবা শিহল্লিবা মী মশিং ৭২৪ য়ৌরে অমদি ইনফেক্সন মশিংনা ১৩,৯৩৮ য়ৌরে হায়না ইরানিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী ওফিসল অমনা ত্বিটরদা ফোঙদোকখ্রে। লাইচৎ অদু লাকশিন্নবগী থৌরাং অমা ওইনা ওফিসলশিংনা মীয়ামদা য়ারিবমখৈ চৎথোক চৎশিন তৌদনা লৈনবসু আপিল তৌখ্রবনি।

## ফ্রান্সকী মীয়াম যুমদগী হেন্দোক্তনবা খঙহনখ্রে, ভাইরসকী অকিবা মরক্তা মীখল পাঙথোকখ্রে



পেরিস, মার্চ ১৫ (এজেন্সি) :
খোঙজেল থুনা শন্দোরক্লিবা কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ থেংনবদা মতেং ওইনবগীদমক্তা ফ্রান্সনা লৈবাক অসিগী মীওই মিলিয়ন ৬৭ তা যুমদগী হেন্দোক্তনবা খঙহনখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিদা নোংমাইজিং নুমিত্তগী দুকানশিং, রেষ্টোরেন্টশিং অমসুং হরাও-কুম্মৈগী ফেসিলিটিশিং থোঙ লোল্লগনি।

হৌখিবা পুং ৭২ গী মতম অসিদা লৈবাক অসিগী কোরোনাভাইরসকী কেস মশিং শরুক অনী হেনগৎখ্রবনি।

পব্লিক হেল্থ ওথোরিটিনা ফ্রান্সতা কোরোনাভাইরসনা মরম ওইদুনা মীওই ৯১ শিখ্রে অমসুং ইনফেক্সন মশিংনা ৪,৫০০কী ময়া য়ৌরে হায়না লাউথোকখিবা মতুং থাংজ নুমিত্তা পাঙথোকপা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাঙলদুনা প্রাইম মিনিষ্টর ইদোৱার্দ ফিলিপনা গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগী ফিভম অসিদা পায়খৎপা য়াবা অতৈ ওপসন অমত্তা লৈতে হায়খি। নন-ইসেন্সিয়ল লোকেসনশিং মরু ওইনা কেফেশিং, রেষ্টোরেন্টশিং, সিনেমাশিং, নাইট ক্লবশিং, দুকানশিং থোঙ লোনহন্নবা ৱারেপ লৌরে হায়না ফোঙদোক্লদুনা মহাক্না হায়খি মদুদি, তশেংনমক তঙাইফদনা ঐখোয়না ঐখোয়গী চৎথোক-চৎশিনগী থবক খুদিংমক্তা পনখৈ থমগদবনি।

ফ্রেঞ্চ ওথোরিটিশিংনা দুকানশিংগী অথিংবা লাউথোকখিবদুদা চান-থক্নবগী পোৎলমশিং য়োল্লিবা ষ্টোরশিং, ফার্মাসিশিং, পেট্রোল ষ্টেসননচিংবদি য়াওরোই হায়রি। অদুমওইনমক প্রাইম মিনিষ্ট ফিলিপনা নোংমাইজিং নুমিৎকী লোকেল ইলেক্সনশিংদি সেনিটরিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংশিংগী মখাদা কায়দনা পাঙথোক্কনি হায়না ফোঙদোকখি।

গভর্নমেন্টনা কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ মরক্তা মীখল কায়দনা পাঙথোক্নবা ৱারেপ লৌখ্রবা মতুংদা ফ্রেঞ্চ ভোটরশিংনা নোংমাইজিং নুমিত্তা লোকেল ইলেক্সনশিংদা শরুক য়াদুনা ভোট থাদনখি। শাথিরবা কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ মরক্তুদা ভোটরশিংনা টাউন হোল ৩৫,০০০ গী মেয়রশিং অমসুং কাউন্সিল মিলিয়ন তঙ্খায় অমরোম খন্ননবা ভোট থাদনখিবনি। কুমজা ২০১৪ গী লোকেল ইলেক্সনগা চাংদম্নবদা নোংমাইজিং নুমিৎকী লঞ্চ মতম ফাওবদা ভোটরশিংনা ভোট থাদনবগী চাং চাদা ৫ দা হন্থখি হায়রি।

## সাউদি অরাবিয়াদা লাইফম কোয়রুবা মীওই লিশিং কয়া টর্কিস গভর্নমেন্টনা তোঙান্না থমখ্রে



ইষ্টানবুল, মার্চ ১৫ (এজেন্সি) :
টর্কিনা কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা সাউদি অরাবিয়াদা লাইফম কয়া কোয়রুরগা হল্লকপা মুস্লিম লিশিং কয়া তোঙান্না থম্নবগী থৌরাং নোংমাইজিং নুমিত্তা লৌখৎলে হায়না টর্কিস ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

টেলিভিজন ফুটেজশিংদা অঙ্কারা এয়রপোর্টতগী সিটি সেন্টর ফাওবদা লৈরিবা হায়ৰে পরিংদা লাইফম কোয়রুবা মীওই লিশিং কয়া তোংবা বসশিং চেনবগী শক্তম উবা ফংখি। মদু সাউদি অরাবিয়াদা লৈরিবা লাইফম কয়া কোয়রুরগা হল্লক্লিবা টর্কিস মুস্লিম লিশিং কয়া অদু মহৈরোয়শিংগী দোর্মিটরিশিংদা পুশিন্নবা হোৎনবগী ওপরেসন অমগী শরুক্নি।

হৌজিক ফাওবদা কোরোনাভাইরস কেস তরুক্তমক দাইগনোস তৌরিবা টর্কিনা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা স্কুল অমদি য়ুনিভর্সিটিশিং থিংজিন্দুনা অমদি স্পোর্টস ইভেন্টশিং লেপহনবগা লোয়ননা লৈবাক কয়াদা পাইগদবা ফ্লাইটশিং সস্পেন্দ তৌদুনা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা শাথিরবা লায়না লাইচৎ অসি লৈবাক অদুদা শন্দোরকপা থিংনবা অকনবা থৌরাং কয়া লৌখৎলকখিবনি।

## রসিয়া অমদি টর্কিকী অহানবা জোইন্ট পেট্রোল মপুং ফাখিদ্রে



মোস্কো, মার্চ ১৫ (এজেন্সি) :
রেবেলশিংগী কায়হৌবগী থৌওংশিংনা মরম ওইদুনা নোংমাইজিং নুমিত্তা সিরিয়াগী নোংপোক থংবা লমদম অমসুং নোংচুপ থংবা লমদম অনী শম্নহল্লিবা এম ৪ হায়ৰে পরিংদা রসিয়া অমসুং টর্কিনা পাঙথোকখিবা অহানবা জোইন্ট পেট্রোল নমদুনা মপুং ফাহনখিদ্রে হায়না রসিয়ন দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী ৱারোল পল্লদুনা রসিয়ন ন্যুজ এজন্সিশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

হন্দক্তা মোস্কো অমসুং অঙ্কারাগী মরক্তা সিরিয়াগী ইদলিব প্রোভিন্সতা সীজফায়র অমা চৎনহনবগী ৱাফম অমা য়ানখিবগী মতুং ইন্না পেট্রোল অদু পাঙথোকখিবনি।

জোইন্ট পেট্রোলগী লন্বী তেনশিনবগী মরম পীরদুনা রসিয়ন ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সি রিয়ানা রসিয়ন দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী ৱারোল পল্লদুনা হায়, কায়হৌবগী থৌওংশিং চৎথনবগীদমক্তা টেররিষ্টশিংনা মীচমশিংবু মীগী চুঙ্গোইশিং ওইনা শীজিন্ননবা হোৎনরি।

মিনিষ্ট্রি অসিনা মখা তারদুনা হায়খি, কায়হৌবগী অসিগুম্বা থৌওং অসি চত্থরক্লিবা রেবেলশিং লাকশিন্ননবা অঙ্কারাদা রসিয়াগী মায়কৈদগী অহনবা মতম পীখ্রবনি।

নোংমাইজিং নুমিৎকী জোইন্ট পেট্রোল অদুদা ভেহিকল অহুম শীজিন্নখিবা রসিয়ন মিলিটরি পুলিসনা টর্কিগা লোয়ননা চাং নাইনা মখা তানা জোইন্ট পেট্রোলশিং পাঙথোক্ননবা থৌরাং তৌরি হায়না রসিয়াগী রোসিয়া ২৪ টি ভি চেনেলনা ফোঙদোকখি।

সিরিয়াগী ইদলিব প্রোভিন্সতা হাৎন-শুনবা হেনগৎলকপা থিংনবা পুন্না হোৎনমিন্নবগী শরুক অমা ওইনা টর্কিস কেপিটেল অঙ্কারাদা নুমিৎ মরিনি চুপ্পা ৱারী শান্নরবা মতুংদা টর্কি অমসুং রসিয়ানা ইদলিব লমদমদা চৎনহনগদবা সীজফায়রগী অকুপ্পশিং য়ানখি।

লমদম অদুগী লান অদুনা মরম ওইদুনা মীচম মিলিয়ন অমরোম ময়ুম-মকৈ থাদোক্তুনা লাঞ্জেনখিবগা লোয়ননা টর্কি অমসুং রসিয়াগী মরক্তা হকথেংননা লান শোক্লরকপা য়াবগী ফিভম অমা লাকখিবনি। লমদম অদুদা টর্কিনা সিরিয়ন গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংগা লান্থেংনরিবা সিরিয়ন রেবেলশিংবু মতেং পাংনবগীদমক্তা হৌখিবা থাদা টর্কিস লান্মী কয়া অমদি মিলিটরি খুৎলায় কয়া থাজিনখিবদগী লমদম অদুদা উংখৎনবা হেনগৎলকখিবনি। টর্কিগী খোঙথাং অদুদা সিরিয়াগী রেজিমদা মতেং পাংলিবা রসিয়ন ফোর্সশিংনা চত্থখিবা এয়রষ্ট্রাইকশিংদা টর্কিস লান্মী কয়া শিখ্রবনি।

## চেকশিন থৌরাং ওইনা জেরুসলেমগী অল-অক্সা মোস্ক থিংজিনখ্রে



জেরুসলেম, মার্চ ১৫ (এজেন্সি) :
জেরুসলেমগী অল-অক্সা মোস্ক অমসুং দুম ওফ দ রোক মখা তাবা নোটিস থোক্ত্রিফাওবা থোঙ থিংলগনি হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা লাইনিং-লাইশোনগী ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

মখোয়না মখা তারদুনা খোঙথাং অদু ইস্লামগী অহুমশুবা খ্বাইদগী শেংলবা মফমনি হায়না লৌনরিবা মোস্ক অদুদা লাই খুরম্বা লাক্লিবা মীওইশিংদা লায়না চঙহন্দনবা লৌখৎলক্লিবনি হায়না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, লাইশোন থৌরমশিং মরু ওইবা খুভম অনীগী অকোয়বদা লৈরিবা চাওরবা অহাংবা এরিয়া অমদি অতৈ মুস্লিমশিংগী লাইশোন পাঙথোকফমশিং ওইরিবা মালেমগী মুস্লিমশিংনা অল-হরাম অল-সরিফ নৎত্রগা নোবল সেঙ্কচ্যুরি হায়না খঙনবা জিয়ুশিংনা হর হা-বাইয়িট নৎত্রগা টেম্পল মাউন্ট হায়না খঙনবা শেংলবা কম্পাউন্দদা মখা তানা পাঙথোক্কনি হায়রি।

কোরোনাভাইরস থিংনবা লৌখৎপা চেকশিন থৌরাং অমা ওইনা ইস্লামিক ৱাকফ দিপার্টমেন্টনা শেংলবা অক্সা মোস্ক মনুংদা লাইশোন থৌরম পাঙথোকপা মখা তাবা নোটিস থোক্ত্রিফাওবা থিংনবা ৱারেপ লৌরে হায়না অল-অক্সা মোস্ককী দিরেক্টর সৈখ ওমার অল-কিস্বানিনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।

মখা তারদুনা মহাক্না মোস্ক অদুনা অথিংবা থল্লিবা অসিনা মরম ওইদুনা লাইশোন থৌরম খুদিংমক অল-অক্সা মোস্ককী মপান্দা লৈবা অহাংবা মফমশিংদা পাঙথোক্লগনি হায়নসু ফোঙদোকখি। অল-অক্সা মোস্ক অসি ৮ শুবা চহী চাদা শাখিবনি অমসুং মুস্লিমশিংনা মোস্ক অসিবু মেকা অমসুং মেদিনাগী মথংদা খ্বাইদগী মরু ওইবা শেংলবা মফম্নি হায়না লৌনরি।

হৌখিবা চয়োলদা ইজরেলগী চীফ রবিনেটনা জিয়ুশিংনা নোংচুপ থংবা ৱালদা লাক্তুনা পাক্তক্না লাইশোন পাঙথোকপা লেপ্পগনি হায়না লাউথোকখিবনি।

ৱাল অদু জিয়ুশিংগী লাইশঙশিং লৈরিবা কম্পাউন্দ ঙাক শেন্নবগীদমক্তা নিংথৌরেল হেরোদনা শাখিবনি অমসুং মদুবু জিয়ুশিংগী শেংলবা লাইফম অমনি হায়না মমাংঙৈদগী হৌনা লৌনদুনা লাক্লিবনি। জেরুসলেমগী অরিবা সিটি লাইদি অমত্তনি হায়না থাজবা থম্নরিবা অচৌবা ফেইঠ অহুম জুদাইজম, খৃষ্টানিটি অমসুং ইস্লামগী শেংলবা মফম ওইরিবনি।

## অফঘানিষ্টানদা কোভিদ কেস ১৯ শুরে, পুলিস ৭ হাৎখ্রে



কাবুল, মার্চ ১৫ (এজেন্সি) :
অফঘানিষ্টান গভর্নমেন্টনা কোরোনাভাইরসকী অহেনবা পোজিটিভ কেস ৫ অমসু দিটেক্ট তৌখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী অপুনবা ইনফেক্সন মশিং ১৬ য়ৌরে হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা হেল্থ ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

পব্লিক হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন ৱাহিদ ময়রগী মতুং ইন্না লায়না অদুগী অনৌবা পোজিটিভ কেস ৪ হেরাট প্রোভিন্সতা দিটেক্ট তৌখি অমসুং অতোপ্পা কেস অমনা সেন্ট্রেল দাইকুন্দি প্রোভিন্সতা দিটেক্ট তৌখি হায়না সীনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিনা ফোঙদোকখি।

অফঘানিষ্টানগী অহানবা কোরোনাভাইরসকী কেস চয়োল খরগী মমাংদা ইরানগা লোন্ননা লৈরিবা হেরাটতা দিটেক্ট তৌখি। হৌজিক ফাওবদা প্রোভিন্স অসিদা লায়না অসিগী পোজিটিভ কেস ১০ কনফার্ম তৌরে হায়না ময়রনা ফোঙদোকখি। ওফিসল অসিগী মতুং ইন্না অফঘানিষ্টান্দা কোরোনাভাইরস ওইরম্বা য়াই হায়না চিংনবা কেসশিংগী মশিং হেনগৎলক্তুনা হৌজিক ফাওবদা চিংনবা পেসেন্ট ২০৬ টেষ্ট তৌখ্রে। পেসেন্টশিং অদুগী অয়াম্বদি অফঘান রেফ্যুজি মিলিয়ন ২ হেন্না চঙজফম পীদুনা লৈরিবা য়ুমথংনরিবা লৈবাক ইরানদগী হল্লকখিবা ঙাক্তনি।

চৈরকসিদা নোংমাইজিং নুমিত্তা অফঘানিষ্টানগী কনধাহর প্রোভিন্সতা টালিবান্না চত্থখিবা এটেক অমদা পুলিস পর্সোনেল ৭ কী পুন্সি লোমখ্রে হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

প্রোভিন্সিয়ল পুলিসকী স্পোক্সমেন জমাল বরিকজাইনা সীনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিদা ফোঙদোকখিবদা শাথিরবা থৌদোক অদু নোংঙাল্লমদাই পুং ৪ রোম তাবা মতমদা ঝরি দিষ্ট্রিক্ট চারসখি এরিয়রনা থোকখিবনি। টালিবানগা মরী লৈনবা পুলিসতা য়াওবা এটেক্কর অদু ক্রাইম অদু পাঙথোক্লবা মতুংদা মফম অদুদগী চেনখি হায়রি।

## মাইগ্রেন্ট ১১২ ঈশিংদা লুপ্পবা হিদগী কনখ্রে



ভালেতা, মার্চ ১৫ (এজেন্সি) :
নোর্থ অফ্রিকাগী মাইগ্রেন্ট ১১২গী গ্রুপ অমা ঈশিংদা লুপ্পবা দিঙ্গি অমদগী কল্লবা মতুং নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক অঙনবদা মাল্টাদা থুংলরে। কোরোনাভাইরস ইনফেক্সনগা মরী লৈনবা চেকশিন থৌরাং ওইনা স্পেসল প্রোটেক্তিভ ফিজোল শেৎপা ট্রুপশিংনা ঙাক শেন্দুনা মাইগ্রেন্টশিং অদু পুরকখিবনি হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখি।

দিঙ্গি অদু মাল্টানা সর্চ অমসুং রেস্ক্যুগী থবক পাঙথোক্লিবা লিবিয়াগী অৱাং থংবা শরুক্তা থাংজ নুমিত্তা থেংনখিবনি। হি অদুদা তোংলিবশিংগী মনুংদা নুপী অমসুং অঙাং কয়ামরুম য়াওরমখি। মাইগ্রেন্টশিং অদুগী নেসনেলিটিশিংগী মতাংদা খুদক্কী ওইনা শেংনা খঙবা ঙম্বগী ফিভম লৈখিদে হায়না আর্মর্ড ফোর্সেসনা ফোঙদোকখি।

পেট্রোল বোট অমদা তোংখিবা মাল্টাগী লান্মীশিং অদু কোরোনাভাইরস ইনফেক্সন্দগী ঙাকথোকচনবগীদমক্তা অখন্নবা ফিজোলশিং শেৎখি। মাইগ্রেন্ট পুম্নমক মাল্টাদা হেক থুংবগা মেদিকেল চেকঅপ চত্থখি অমসুং মদু লোইরবা মতুংদা মখোয় বসশিংদা তোংহন্দুনা রিসেপসন সেন্টর অমদা পুখি হায়রি।

চহী অসিদা মল্টাদা মাইগ্রেন্টশিং থুংলবগী চাং হেনগৎলকখিবনি। মমাং চহীদা পুন্না মাইগ্রেন্ট ৩,৪০০ থুংখিবগা চাংদম্নবদা মার্চথা হৌরকপা ফাওবদা মাল্টাদা মাইগ্রেন্ট ১,৫০০ রোম থুংখ্রবনি। চহী অসি হৌবদগী ইটালিদসু মাইগ্রেন্টশিং থুংলবগী চাং হেনগৎখিবনি। তৌইগুম্বসুং হৌখিবা থাদা ইটালিগী অৱাং থংবা শরুক্তা কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ শন্দোকপা হৌখিবদগী মার্চতা হৌজিক ফাওবগী ওইনা মাইগ্রেন্ট ৪৩ দমক থুংদুনা মাইগ্রেন্টশিং চঙলকপগী চাং খঙহন হন্থবা উখি। চৈরকসিদা লিবিয়াগী কোষ্ট গার্দনা লৈবাক অসিগী সমুদ্র খোংবান মনাক্তগী ইলিগেল ইম্মিগ্রেন্ট ৩০১ রেস্ক্যু তৌখ্রে হায়না ইন্টরনেসল ওর্গনাইজেসন ফোর মাইগ্রেসন্না ফোঙদোকখ্রে।

## দোনাল্ড ট্রম্প কোরোনাভাইরসকী চাংয়েংদা নেগেটিভ ওইরম্লে



ৱাশিংটন, মার্চ ১৫ (এজেন্সি) :
য়ুএস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্প কোরোনাভাইরসকী টেষ্টতা নেগেটিভ ওইরম্লে হায়না থাংজ নুমিত্তা মহাক্কী দোক্তরনা ফোঙদোকখ্রে।

টেষ্টকী রিজল্ট অসি লাউথোরকখিবগা ইরোয়ননা য়ু এস প্রসিদেন্ট অসিনা অমেরিকানশিংগী মহৌশাগী ওইবা পুন্সি মহিংদা শাথিনা অকায়বা পীরিবা লায়না লাইচৎ অসি শন্দোরকপগী চাং তপথহন্নবা হোৎনরদুনা লম চৎপদা অথিংবা থম্বগী খোঙথাং বৃটেন অমসুং আইরলেন্দগী মায়োক্তসু চৎনরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

হ্বাইট হাউসকী ওফিসলশিংনা মমাংদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা ব্রিফিং রুমদা চঙলকপা জর্নেলিষ্টশিংগী টেম্পরেচর চেক তৌখিবা মতুংদা ট্রম্পনা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙবদা মহাক ইরাই নুমিৎকী অহিংদা কোরোনাভাইরসকী টেষ্ট অমা পাঙথোকখ্রে হায়না ফোঙদোকখিবনি।

থাংজ নুমিৎকী নুমিদাংদা মহাক্কী ফিজিসন সোল কোনলিনা টেষ্ট অদুগী রিজল্ট নেগেটিভ ওইরে হায়না লাউথোকখি।

হৌখিবা চয়োলদা য়ু এস প্রসিদেন্ট অসিনা উনখিবা ব্রজিলিয়ন দেলিগেসন অমগী মেম্বর অমা মতুংদা পাঙথোকখিবা কোরোনাভাইরসকী চাংয়েংদা পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনখিবনি।

ট্রম্পনা পাউমীশিংদা মখা তানা হায়খি মদুদি, অমেরিকানশিংনা মরু ওইদবা চৎথোক-চৎশিনগী থবক পুম্নমক লেপ্পগী ৱাফম খন্নগদবনি অমসুং মহাক্কী এদমিনিষ্ট্রেসন্নসু লৈবাক মনুংদা চৎথোক চৎশিন তৌবগী থবকশিংদা য়ারিবমখৈ অথিংবা লৈহন্নবগী ৱাফম খন্নরি। অথিংবশিংনা মরম ওইদুনা দিমান্দ কা হেন্না হন্থরক্লবা য়ু এস এয়রলাইন্সশিংনা মখা তানা ফ্লাইটশিং ককথনবা শেম শারে হায়না লাউথোকখ্রবনি।

## কোরোনাভাইরসনা মরম ওইদুনা নেট্টনয়াহুগী ৱায়েল য়ৈথোকখ্রে



জেরুসলেম, মার্চ ১৫ (এজেন্সি) :
কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ থেংননবা লৌখৎলকপা থৌরাংশিংগী শরুক অমা ওইনা ইজরেলগী কোর্টশিংদা অনৌবা অথিংবা কয়া থমখিবগা লোয়ননা করপসনগী কেস অহুমদা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেট্টনয়াহুবু ৱায়েল চত্থবা হৌবগী মতম থা অনী হেন্না য়ৈথোক্লে হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা জেরুসলেম দিষ্ট্রিক্ট কোর্টনা লাউথোকখ্রে।

টাইমস ওফ ইজরেলগী রিপোর্ট মতুং ইন্না খোঙথাং অসি হীয়ারিং চত্থবা হৌনবা লেপখিবা মতম মার্চ ১৭ য়ৌগদবা নুমিৎ নিনিদা ঙাইশিল্লক্লবা মতমদা লাক্লিবনি। ইজরেলগী কোর্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না হৌজিক নেট্টনয়াহুগী করপসন কেসশিং অদুগী হীয়ারিং মে ২৪ দা য়ৈথোকখ্রে।

কোরোনাভাইরস খোঙজেল থুনা শন্দারক্লিবা অসিগা মরী লৈননা ওইরক্লিবা ফিভম কয়া অমসুং ইনৌ নৌনা লাউথোকখিবা গাইদলাইনশিং অমসুং কোর্টশিংদা ষ্টেট ওফ ইমর্জেন্সি লাউথোকখিবগী ফিভম খন্নদুনা ঐখোয়না সেদ্যুল হীয়ারিং অদু কেন্সেল তৌনবা ৱারেপ লৌরে হায়না কেস অদুগী প্রিসাইদিং জজ অহুম্না মখোয়গী এনাউন্সমেন্টদা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি ইজরেলি প্রাইম মিনিষ্টর নেট্টনয়াহু ক্রিমিনেল চার্জ কয়া মায়োক্লদুনা লৈরিবনি। অদুমওইনমক মহাক্লদি চার্জশিং অদুবু য়াদবগা লোয়ননা মহাক ওপোজিসন, মিদিয়া, পুলিস অমসুং ষ্টেট প্রোসিক্যুটরশিংনা চত্থরকপা পোলিটিকেল কু অমগী ভিক্তিম অমনি হায়না ক্লেম তৌরি।

কুমজা ২০১৯গী নবেম্বরদা নেট্টনয়াহুনা ইজরেলগী অহানবা ফম পায়রিঙৈদা ক্রিমিনেল চার্জশিং মায়োক্লবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইখি। চাজশিং অদু হৌখিবা জন্যুৱারিদা ওফিসল ওইনা ফাইল তৌখি। কোরোনাভাইরস শন্দোরকপা থিংনবা হোৎনবা ওইনা থাংজ নুমিৎকী অহিংদা জষ্টিস মিনিষ্টর অমির উৱানানা ইজরেলগী কোর্ট সিষ্টেমদা পুং ২৪গী ষ্টেট ওফ ইমর্জেন্সি লৈরগনি হায়না লাউথোকখিবনি।